হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ০৬, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৮৬ শুবা মশীং

# ঐখোয়না অপঙবা তাহৌবা

## মণিপুরগী মিনরেলশিং মীতোপকী খুবামনুংদা তাহনগনু

***মণিপুর*** হায়না হৌজিক খঙনরিবা ষ্টেটসিদা চহী ২০০০দগী হেন্না শাংনা খুন্দা-লৈতাদুনা লাক্লবা, ইশাগী ঈয়েক-ঈরোল, লাইনীং-লাইশোল, নাৎ-চৎনবীনচিংবা নেশন অমগী মরু ওইবা মচাক পূম্নমক শুরবা অমদি মসিগী চপ চাবা পুৱারী লৈজরবা মীওই ফূরুপ-কাঙলূপ অমনি হায়না ঐখোয়না চাউথোকচৈ। চাউথোকচফমসু থোকই— ঙাঙনবা লোন, ইনবা ময়েক, ঙাক্লা চৎনবা নাৎ-খুন্নাইরোল, ফজরবা কলচর অমসুং ট্রেদিশনগী লনগৈ, য়েক্লবা কয়া কয়া মায়োক্লদুনা মাঙখিদনবা-মুনখিদনবা হায়দুনা চহী ২০০০ হেন্না ঙাক-শেন্দুনা ঐখোয়গীদমক থন্বীরম্লবা লৈবাক-- পূম্নমক অসি হৌখ্রবা, লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা মমল নাইদ্রবা লন ঙাক্তনি। হৌখ্রবা মতম অদুদা মশীংসু য়ামদবা ইপা-ইপুশিং অদুনা থাঙ-তাখক্তমক পায়দুনা লৈবাক অসিবু মাঙ-তাকহন্নবা, লন-থুম মুন্নবা অমদি ইরৈচাশিংবু হাৎ-তূপ্নবা হোৎনরকপা য়েক্লবশিংগা থৌনা ফনা থেংনদুনা মীনা লাকচখিদনবা হোৎনদুনা লাকখি। ঙসি মীশীংসু য়ামখৎলে, লৈঙাক্কী লান্মী মরাং কায়না লৈরে, খূৎশু-খূৎলায়সু মতিক চানা পায়রে। অদুমক্তদা ঐখোয় পূন্বগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা মণিপুরগী মশাগী মরল-মথুম ঐখোয়না ঙাকচবা ঙমদ্রে। তম্পাক্তা তম্মীশিংনা মণিপুরগীদক হীরম কয়াদা চাউথোক্লিঙৈ, চীংদা চীংমীশিংনা মখোয়গী চাওখৎ-থৌরাংশিংগী চাকথুং তম্মীশিংনা মৎপীরে হায়দুনা লান্না থাজহনখিবনা মরম ওইদুনা তম্মীশিং চীংদা হাইগৎলক্তনবা হায়দুনা কূপশেন শেন্নরিঙৈ, নাকল অমদা হোদ্রোং হোনা থাদোকপদগী মীতোপশিংনা লন্নাই মীওই কয়াগা লৌতুনরগা চীংগী অমসুং তমগী লন-থুম কয়া লেপ্পা লৈতনা চিংথোকখিবসিদি থিংহৌদ্রে। লন্নাই লল্লোনবা, মশাগী শেন্দোংগীদমক খনবা মীওইশিংনা ৱাখল অমসুং অপান্বা মান্নবা চীংগী পোলিটিসিয়নশিংগা খূৎশম্নরগা তম্মী-মীতৈশিংনা তৌরিবা খূদীংদা মীৎশিং-নাশিংনা য়েংনবা কামশিন্দুনা মীৎয়েং থৈরিঙৈদা নাকল অমদনা মখোয়না চীংগী লনগৈ-পূক্কেশিং ফক-ফক্তুনা মপান্দা হোন্দোক্লি।

অসুম্না মণিপুরদা লৈরিবা চীংগী ওইরো, তমগী ওইরো মীওই কাঙলূপশিং অসিনা মশেলগী মরক্তা শিংবা তান্নরিঙৈদা পুল্লপকী ওইনদি অপঙবতা তাদুনা লাক্লি হায়বসি ঐখোয়না ঙসি ফাওবা খঙজবা ঙমদবসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মহৌশাগী ওইবা পোখোকশিংনা পীক থন্না লৈরম্বা অফ্রিকা কোন্টিনেন্টতা অশিংবা, মীৎয়েং শানবা, খুদোং থীবা মায়োক্লরগা নুংঙাইবা তানবা, লন-থুম থিবদা হৈনবা য়ুরোপকী ফুরুপশিংনা নৈখায়দুনা লৈমায়দা হৌবা উ-ৱাশিংদগী হৌরগা মখোঙনা চৎপা শা অমসুং মশানা পাইবা উচেকশিং অমদি লৈনুংদা ফংবা সনা অমদি হীরাগী য়াওনা মখল-মখা কয়াগী পোখোকশিং তেংনা হোন্দোকপীখিবদগী ঙসি অফ্রিকাগী লৈবাকশিং পূমকোক কোক্তেদা খাক্লা লৈরিবা, ঈকং, চাক্তাঙবনচিংবা অৱাবা থৌদোকশিং মফম অমা নৎত্রগা অমদা ঙাইহাক লৈতনা থোক্লিবা, কাঙলূপ মশেলগী ওইবা হাৎন-শুনবগী লান ঙাইহাক লৈতনা থোক্লিবা অসিনচিংবা কয়াসি পনবা য়াই। অসুম্না অফ্রিকাগী মীওই ফূরুপশিংবু অপঙবা শেমদুনা মখোয়গী মরল-মথুমশিং অশিংবা অঙৌবা জাতিশিংনা তক্তুনা লৌবীখিবগুম মণিপুরগী শিংলবনি, মীনা হেঞ্জিনবা য়াদবনি হায়না লৈজরিবা মীয়ামসু মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীৎয়েংদদি থায়নগী অফ্রিকনশিংদগী করিমত্তা তাদনা উরমগনি হায়বসি মখোয়না ঐখোয়গী ইপোৎ-ইরলশিং লেপ্পা নাইদনা হোন্দোকখিবদা তুমিন্না য়েংবনা ঐখোয়গী ইথৌনি খনবদগী হেন্দোকপা ৱাখল অমা ফাওবা লাক্ত্রিবসিনা তাকই। চীংগী লমশিংদগী মমল নাইদ্রবা উজাও লাখ লাখ য়ান্থৎতুনা লন্নাই মীওই অমদি কম্পনি কয়ানা মপানদা হোন্দোকখ্রিবা, মদুনা মখোয়না লুপা ক্রোর-ক্রোর শেন্দোং তাল্লগা অপঙবা খুঞ্জা খরা অমদি খুনগী খুল্লাকপা খরদনা লুপা খরা পীরম্লগা মদুদা পেন্থোকচদুনা লৈরি। চীংদগী লুপা লীশিং খরগীদমক মশাগী উমং কোকথোকপদা কনাগুম্বা খরনা চাউনা মতেং পাংলি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী লৈনুংদগী ফংবা পোৎলমশিং লৈবাকসিগী লন ওইহন্নিংই। কনাগুম্বা খরগী খুবামনুংদা তাহন্দুনা মীয়ামগী লন অয়াম অমা মাঙলিবসি লৈঙাক্লা য়েংশিনসি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ষ্টেট অসিগী মিনিরেলশিং য়েলহৌমী নত্তবশিংগী খুবামনুংদা তাহন্দনবা হোৎনসি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ফোঙনা শৌগৎলে ফোঙদোক্লিবসি থম্মোয়গীরা?

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**থাগৎপা** ফোঙদোকপা অসিবু পাউচেগী চেবাংথকসিদা নৎত্রবদি য়াদবরা? থম্মোয় নুংদা ফোঙদোকপদি করি অকায়বা লৈবগে? কনাগুম্বা লুচিংবা অমবু শৌগৎচবগী মপাউসিবু পাউচেগী থোংদা চবাক চবাক ফোঙদোকপগী কান্নবা লৈবজাৎলা? মদু ওইরবদি দেমোক্রেসিগী মীংদা বেলোট পেপর শীজিন্নদুনা ভোট থাদনবগী মহুত্তা অফোঙবা ইলেক্সন ওইনা পাউচেদা ফোঙনা ফোঙদোক্লরবদি ইলেক্সন কম্মিসনগী য়াল্লবা শেনফম হায়বদি ইলেক্সন অমা তৌবদা চঙলিবা শেনফম খরদি কনবা ঙমগনি।

লমদম অসিগী নুপীশিং য়াম্না থৌনা লিংজেল লৈবী ঙাক্তনি, অদুমক্তনবু 'নুপী লান' হায়না কৌবা লাঞ্জাওসু থোকখ্রিবনি। ঙসিসু নীংশিং খুভম অসি উবদা মীয়াম পূন্বনা নীংশিংনরিবনি। মসিদা নত্তে লৈকায়গী ওইগেরা, লৈবাক্কী ওইগেরা মীয়াম্না য়ানিংদবা থৌদোক অমা হেক থোকপদা নুপানা থোক্ত্রিঙৈদা নুপী মীয়াম্না হন্না হেক্তা য়ানিংদবগী মীফম, খূৎ শম্নরগা শেন্বা হ্যুমেন চেন, খোল্লাও অচুম্বা পান্বগীদমক্তনি। শেংলবা কংলাগী পুৱারীগী লাইফমলেন্দগী আসাম রাইফলস লৌথোকখিবদসু মণিপুরগী নুপীগী চাওরবা কথোকপগী মুৎনাইররোইদবা থৌনাননি।

ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী নুপীশিংনা অসুক চাওখ্রবা কথোকপা অসিগীদমক্তা তৌবিমল খঙবা ওইনা নুপীশিংগী ওইবা লৈঙাক্লা করি তৌবিরকখ্রবগে? ভোটতা নুপীগী রিজার্ভ সিট ফংই অসিরা, নুপাগীদি ফংদবরা? মথোং মরম খঙদনা হাত্তোকপীখ্রবা নুপীমচাশিং অদুগী শিঙমদনা শিখ্রবা আত্মাশিং অদুগীদমক মীহাৎপশিং অদুদা করম্বা মতিক চাবা চৈরাক পীবা য়াওখ্রবগে? লৈহৌরিবা মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাশিং অদুনা মচাগী মমান্নবা-মমান্নবীশিং অদুবু উবদা হরাউরমগদ্রা? য়েংবিয়ু শোয়দ্রবনি ইলেক্সন কেম্পেন য়ৌরকপদা ভোটকী পাউজেল য়ূমথোং খুদিং চঙলরনি। খূৎ শোক্লরনি, ভোট থাদবিয়ু নীররনি। মদুদসু মখোয়না মশীং য়াম্ন নবা হোৎনবদা নুপী ঙাক্তা হৌবিরনি।

অমরোমদা নুপীশিংদি থবক চিঞ্জবনি, য়ূমগী কুপনোম, মচাগী, মপুরোইবগী, চাকশঙগী, ইঙ্খোলগী লোইনমক অসি তৌনা তৌনা মীয়াম মরক্তসু তিন্ননবা হোৎনজরিবনি। ইলেক্সন ময়াদা করিগী লম্বী-থোং শেমজনীংলিবনো? শাংলবা চহী মঙাসিদদি করি অমত্তা উহৌদ্রবা জাৎলা? ভোট য়ৌশিল্লকপদদা উরিবা অসিনা করিগীনো? লম্বী-থোং শেম্বা, লায়রবা য়ূম শাবা ঙমজদবা ইমুংদা য়ূম শাবীবা, ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটকী লন্নাই ফুরিৎখাউদগী নত্তে, লৈবাক্কী ওইনা কায়থরকপা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমদগীনি। ঐখোয়বু নুংশিবীদুনা, চানবীদুনা এম এল এ অদুনা পীরকপা নত্তে। অদুনদি হৌজিক ঐখোয় নুপীশিংনা ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে।

লমদম অসিগী নুপীমচাশিং ওৎ-নৈদুনা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখ্রবী ইচা-ইশুশিং অদুগীদমক নীংশিংজবা মতম ওইরে। করিগুম্বা খরদি তৌহৌরসি মখোয়গী থৱায়না পেঞ্জনবা, ঐখোয়গী ইমাশিংনা ঐখোয়বু কাউদ্রি, নীংশিংলি। ঐখোয়বু হাৎপীরবসু ঐখোয়গী ইচিন-ইনাওশিংবুদি হাৎহল্লরোইদৌরি। ইমাশিংনা পূন্না লাম্থেংননবা শেম শারসি। মশাগী ওইজবা থিদনা, লৈবাক্কী খল্লক্কদবা, হান্নগী অৱাবশিং নৈনরগা তুংগী করি তৌসিগে খন্নরগা ঐখোয়গী অপান্বা অমদি মীয়ামগী খল্লগা অফবা থবক তৌরক্কদবা, ঐসে মীয়াম্না খনবীরগা ভোট কারকপনি কাউদবা অমদি ভোট কারগা মতুংদা চহী মঙাসিদা করি তৌসিগে খন্নবা য়াবা, ইচানুপা-নুপীশিং হাৎতোকপীরোইদবা মীওই খলহৌনবা শেম শারসি হায়জনীংই।

***অদোমগী - মোইরাংথেম লৈমা, নোংমৈবুং***

# ভোট নকশিল্লক্লে, ঐখোয় কোক চুংশিন্নরসি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**কুমজা ২০১২,** জানুৱারি ২৮ দনি আউটর মণিপুর বিধান সভা, ঙসিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অসি খন্ননবগী মীখল অহানবা ফেজ পাঙথোকপা হৌখিবদু। কনানা করম্বা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী মীহুৎ ওইনা কারকখিবা কোংগ্রেস পার্টিনা ৪২ ফংদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা পার্টি ওইদুনা ইবোবীনা লুচিংবা অহুমশুবা টর্মগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মীয়ামগী অয়াবা ফংখিবা নুমিৎতুনা কুমজা ২০১২ মার্চ ৬ তনি। মীহুৎ হুম্ফু খন্নবগীদমক মীরেপ ২৭৯ চোংথোরকখি।

চহী মঙা মপূং ফারক্কদৌরে। কুমজা ২০১৭ য়ৌশিল্লক্লে। লৈপাকসিবু কাং খোং চাইহন্নবা, লৈঙাক হৈতবা লৈঙাকপা খূৎপু, অনৌবা হুম্ফু খন্নবা নুমিৎ অদু নকশিল্লক্লে। থেংলবদা কুমজা ২০১৭ কী মার্চ, ঙল্লবদা ২০১৭ কী জানুৱারী ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি পানরিবা ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল-হন্দক্তি মমাঙগী মীখলশিংগা মান্নদবা তোপ তোপ্পা শক্তম অমা উবা ফংগনি খন্নরি। মীরেপ মশীং হান্নদগী হেনগৎলকপগী ওইথোকপসু লৈ। তঙ্খায় অমা হন্থরকপসু য়াই। বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবা সোসল ৱার্কর ময়ামসিনা পার্টি টিকেট ফংহৌদ্রবসু, লৈঙাকপা ওইনা শায়োন্দবা য়াদে অদুনা, হাদুনা লৈরিবা অতোপ্পা পার্টিগী টিকেট পায়দুনা লানফমসিদা থোরক্লবা, মীরেপ মশীং চহুম শোয়দনা হেনগনি। নত্তদুনা, অওনবা লৈঙাক অমগীদমক মহাক্কী পার্টিগী থবক তৌনি খল্লক্লবা, কেন্দিদেট মশীং হন্থগনি।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে, হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা মরু ওইবা অকনবা লানদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি অনীগী মরক্তা থেংনগনি হায়বসিমদি শোয়দ্রে। য়ু পি এ অমদি এন দি এ অনীগী ফোর্মেসন অদু ষ্টেট অসিদদি তাগদবা মান্দে। নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লায়েন্সকী মরু ওইবা পার্টনর ওইরিবা 'নাগা পিপল'স ফ্রন্ট' - মণিপুরগী কন্টেক্স'তা বি জে পিগা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবা য়ারোই। কম্যুনিষ্ট পার্টি'না কন্না লাউরিবা 'কোংগ্রেস, বি জে পি অনীমক য়াওদবা অহুমশুবা ফ্রন্ট অমা শেমগৎপা তঙায়ফদে' হায়বদু পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী নাকোং য়ৌবা মান্দ্রি ঙসি ফাওবদি। মাগী মাগী কেন্দিদেট লাউথোক্লবা লোইখ্রবা তুং, হাথু হাথু শেল্লকপা 'পোলিটিকেল এল্লায়েন্স' কান্নদবা এক্সর্সাইজনি, মমাঙগী এক্সপরিয়েন্স'না তম্বীরম্মী। হন্দক্কী ১১ শুবা এসেমব্লি মীখল অসিদা এম পি পি, সি পি আই অনীনা লৌরক্কদবা মশক নাইবা 'পোলিটিকেল রোল', থা মরি ফারক্ত্রবা মতম অসি ফাওবদা পোলিটিক্স নৈনবশিংগী ৱাখলদা ফাওহনবা ঙমদ্রি। পোলিটিক্স'তা রিজনেলিজমগী ৱাখল্লোন টামিল নাদু অমদি বঙ্গালগী মীয়ামদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমত্তদা মমি তাখিদ্রে। মদুসু তশেংবমক্তি রিজনেলিজমগী ঈহৌ নত্তে, রিজনেল লিদর অদুগী নেসনল ইমিনেন্স ইমেজ অদুদা লমদমদুগী মীয়াম্না থাজবনি। মণিপুরগী এম পি পিদি তশেং তশেংবা রিজনেলিজমগী ঈহৌ অমদগী পোক্লকখিবা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। নেসনলগী থাক্তা পোলিটিক্স তৌবা ঙম্বা পোলিটিসিয়ন অমত্তা পুথোকপা ঙমদবা অসিনা ষ্টেট অসিদা পার্টি অসিগী সিগ্নিফিকেন্স মাঙখিবনি। মণিপুর খক্তদা নত্তে, আসামগী অহোম গন পরিষদ (এ জি পি) সু অমনি। মতম অমদা পীক্লবা ষ্টেট অসিগী অচৌবা আশা ওইরম্বা, থেঙ্খাং অনীরক্তা লমদমসিগী লৈঙাক থৌদা পুরল্লবা মণিপুর পিপলস পার্টি ঙসি মরু কোক্লবা উপালগা পাংখক ওইরক্লিবা, কনাগীসু মরাল নত্তে পার্টিসিগী মকোক কোক্লেনশিংগী মরালনি। পোলিটিক্স তৌদবা পোলিটিকেল পার্টিদা মীয়াম্না থাজবা হৌনদে।

মতাংসিদা পঞ্জনীংই - পোলিটিকেল পার্টি অমদা মীয়ামগী থাজবা হায়বসি করিনো? মীখলদা মশীং য়াম্না কারক্তুনা লৈঙাক শেন্বা ঙম্বা মীখলদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা ৱাশকপদুদদি হায়… 'শ্রী/শ্রীমতি… ক, খ, গ, … ঐহাক্না ঈশ্বরগী মিংদা ৱাশক্তুনা হায়জরি, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু ঐনা মতম চুপ্পদা ইকায়খুম্নজদুনা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা অমদি লৈপাকসিগী আইন ঙাক্লা চৎচদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা তৌফম থোকপা ঈথৌ অদু অচুম্বা অমসুং থাজবগা লোয়ননা পাঙথোকচগনি…'। কলি য়ুগতা শকপা ৱাশকপু, খোংবান চোঙলগা কোকই হায়নবনি। ৱাশক! ওথ টেকিং! কান্নদবা থৌরেম ঙাক্তনি। এম এল এ/এম পি/মিনিষ্টর/ মীয়ামগী মীহুৎ অমত্তনা মশাগী ৱাশক নীংশিংদে, মীয়ামগী থবক তৌরক্তে, কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনৈ। …'ঐখোয়গী পার্টিবু থাজবীদুনা মীয়ামগী শক্তি শীন্নবীবগীদমক লৈপাকসিগী মীয়াম্বু থাগৎচরি, মীয়ামগী থাজবা লেম্না মাঙহঞ্জরোই…' চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা পার্টি প্রসিদেন্ট অমনা হায়গনি। নুমিৎতুদগী চহী মঙা নোংমতসু নীংশিংলোই - মঙোন্দা ভোট পীরক্তুনা মীহুৎ অমা ওইহনবীরিবা মখোয়দি লায়রবা মী ঙাক্তনি। লায়রবদু কোক্লবা করি থবক পায়খৎসিগে? ৱাখলসিগী মহুত্তা থবক হাপ্পীবৈ নমাদা মপোৎ-মরল, মরৌ-মশিং য়োলহল্লগা লাক্ষ কয়া লৌশিগে! মসিতনা ৱাখল লাইনীংনি। ঙসিগী লৈঙাক শক্তি পায়রিবা (মণিপুরগী ৱানিকো) কোংগ্রেস লৈঙাকপশিং, মখোয়দি মুন্না খঙই - তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌনবা পোষ্ট লিশীং কয়াগী দরখাষ্ট কৌরিবসি, থা অহুম মরিতা ঙাইশিল্লক্লবা ১১ শুবা এসেমব্লি মীখল মমাঙদা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস লোইশিনবা ঙল্লোই হায়বসি। অদুমক্তদা ফোংনা মনতিক্লে - পোষ্ট 'এ' গীনা লুপা লাক্ষ কুম্থা, 'বি' গীনা লাক্ষ কুন, 'দি' গীনা অদুক অদুক…। লায়রৈ হায়রিবা মীয়ামসু অদুম লেপ্তুনা হোৎচিন্নে। মঙোন্দা 'থবক হাপ্পীগে' ৱাশকখিবদু ঙাক্লবা মাবু লৌ-ইঙ্খোল য়োলহন্দুনা 'থবক হাপ্পীগনি' হায়বগী থাজবদু ফংনবা ক্রোর কয়া শাগৎলিবনি হায়বদুদি লায়রবা ভোট্টর অদুনা খন্থদে। নহান নোংমা এ জি ওফিসতা সেনিয়র একাউন্টেন্ট ওইবা মরুপ অমগা হাইফেৎ হিসাব তৌমিন্নবদা খঙই - থবকশিংসি লৌবদা 'কন্সর্ন মিনিষ্টর' অদুনা ফংদৌরিবদি লুপা ক্রোর ২০ গী মথক্তনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা ক্রোর তরা/তরামঙা থাদখ্রবসু, মঙা-তরুক শেন্নীং ওইনা পায়হৌগনি। মমাঙগী ইলেক্সন'দা ঠিকাদার ময়ামদগী লাক্ষ কুন, কুম্থা, য়াঙ্খৈ খোমগৎখিবদু হন্দক্তি খোমগৎত্রবসু য়াররনি। শেল লৌশিল্লুবা অঙাংশিংদুগী থবক ওইবা/ওইদবা মথং শেমগদৌরিবা লৈঙাক্তুগী 'হেদেক' (কোকচীকপা) নি, দি পি সি হনবা/হন্দবা মহাক্লা শাগদবা কোক নত্তে, থবক ফংদবগী চৈনাখোল লায়রবা ভোট্টরদুনা ফংজগদবনি।… চহী কয়াগী মমাঙদগী উদুনা লাক্লবা, খঙদুনা লাক্লবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরমচৎ অসি লায়রবগী লাইনা চাথৎলবা ভোট্টরশিংনা নোংমতসু নীংশিংদে। ভোট হায়বসি মমল লৌরগা য়োনগদবনি, ভোট কাখ্রবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং মখোয়না মরল লেপশিনখিবা মীয়ামগী মরল ঙাক্তনি মীখল মতমদা লৌথোকহৌগদবনি… শেরান্নবা ৱাখল অসি লাইরিক হৈবনি খঞ্জবা ভোট্টর খরদুগী ৱাখলনি। শেল য়েল্লগা ভোট কায় হায়বদি খঙবা, য়েন্নবা শেলদি লৈতবা, লৈরবদি য়েনগদবা মীরেপ খরনা লাউই… 'মখোয়না য়েল্লিবা শেল, চহী কয়া অসিদা লায়রবা মীয়ামগীদমক কাইথোকখিবা, লায়রবগী চাকখুম য়ৌখিদ্রবা শেনফমদুনি, লৌথোক্কদবনি, লৌশিনবীয়ু অদুবু ভোটতি মখোয়দা পীবিরুনু, মখোয়দা পাড়া তম্বীগদবনি'…।

অসুম্না শোয়রে খঙলবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অসি কনানসু শেমদোকপা ঙমদে। মীয়াম্না মীয়ামগীদমক শেমজবা লৈঙাক ওইরবসু, মীয়ামদুদি মশানা মশাবু খঙজবা ঙমদনা, চহী কয়া নমথদুনা থল্লকখ্রবনা করিসু তৌবা ঙমদে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া'না ভোট্টরশিংদা ভোটিং এদ্যুকেসন পীনবা মখল কয়াগী পান্থৈ পুথোক্তুনা হোৎনরকই। থমায়খ্রবা ঈদুদা অফবা পাউজেল কৈদৌনরুনি? হাঙলবা চাকখাওদা গীতাগী/বাইবলগী/কোরানগী পাউজেল কান্নদে - নীনিগী চেংজেল অদুনি।

ৱারমশিংসি নীংশিংলুরগা, ঐগুম পান্থৈ লৈত্রবা, লায়রবা ভোট্টরশিংদা পাউজেল অমখক চেন্নীংই - মশাগী ৱাশক ঙাকখিদবা অমদি ঙাক্লোইদবা মীরেপ ঙাক্তনি, কোংগ্রেস-বি জে পি-এম পি পি - সি পি আই অমদি মশীং খঙদ্রবা পার্টিগী ফিৱাল পায়দুনা ৱাশক্লগদৌরিবা পূম্নমক। মখোয়দসু ঐখোয়না ওইদা ৱাশক শক্লুবা ঐগী ঈশ্বরনা ৱারৌরোই। য়েংসি মখোয়না শান্নরক্কদৌরিবা য়েংহৈদ্রবা কুম্ফৈ। মতাং চাবদা য়াওশিনসি। য়েল্লকপা শেল খূৎ য়েৎ-ওই অনী চঙনা লৌনিংবা মীনা লৌসনু। ইশাগী কন্সাইন্স'না য়াদ্রবা, লৌগে খনবীরুগনু। অদুবু ঐখোয় পূম্নমক 'লায়রবা' কৌবা, পোলিটিসিয়নশিংনা শেমগৎলিবা কাঙলুপনি। ঐখোয় পূম্নমক মান্নসি, মখোয় কনাদসু ভোট পীগুমসি, 'নোটা' দা ভোট পীবিয়ু। মখোয়গী লমন শিংদোকসি।

# ঐঙোন্দা ফাওরক্লিবসে মীয়ামদসু শোয়দনা ফাওরমগনি খল্লি

**সোরোক নোরেন**

**দেমোক্রেসি** চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামগী মীহুৎনা মরোমদোম লৈবাক ঙাকচবা অসি চৎনবীনি। মসি মীপুম তীংনা লোইনা য়ানরিবনি। তৌবতবু লৈবাক ঙাকপগী নমাদা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা চাওখৎনবা হোৎনবদগী থৈদোক্তুনা লন্নাই নুঙাইনবা হোৎনরকপসিনি দেমোক্রেসিগী মগুণ মাঙবা হৌরক্লিবসি। শম্না হায়রবদা ঐগী ইরমদমগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অসিদা দেমোক্রেসিগী মফম অসি কয়াম চাওরি হায়বা লোইনা খঙনরে। দেমোক্রেসিদগী লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী মীহুৎনি খল্লকপা মীওইশিংদুগী যূম্লে কৈরে মচা মশু করম্বা মওংদা হিংলি অমদি লেল্লি, উরবা নৎত্রা। হৌজিকমকসি থা অহুম মখায়মুক্তা ঙাইরে মথংগী ইলেক্সন তৌগদবা। ঙনখৎপা নৎত্রগা ঙনখৎতবা হায়বদুনা ইলেক্সন কম্মিসনগী অপান্বা ওইরবসু চৎন-কাঙলোন্দদি হায়রিবা মতমসি খক্তা ঙাইরবনি। অদুনা পূম্নমকশিং অসি খোইরেন মশা পাইনবা হায়বদু য়ৌরবনি।

অহানবদা লৈঙাকপশিংগী মওংদা থবক লৌনবগী কৌরিবা এদভর্টিজমেন্টনা পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া খুদিংমক শরা শল্লে। অওইবা নৎত্রগা ওইদবগী অশেংবা মগুণদুদি কনামতনা খঙবা ঙল্লোইদবনি। লৈঙাক্কী মপু ওইরিবা মীওই খরদনা পুকচেল শেংনা খঙগনি। হায়দোক্কনি নৎত্রগা হায়দোক্লোই হায়বা। অদুবু অমুক্তদা অসুক য়ামখ্রবা ফমশিং অসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা চঙনীংলিবা কেন্দিদেটশিং অদুগী ৱানোমশেল অদুদি মহাজন খরখক্তনি থংবা ঙমগদৌরিবা। মখোয়গী লৌ অদু বন্ধান নৎত্রগা য়োনবা তারবদা করম্বা মহাজন্না অমুক্তা লৌ পরি ১০০ লৈবা ঙমগনি। ঐগী শোয়হৌবা তারে ওইহৌররোইদরা পাখৎপনা নীং মাং চিংদুনা চেল্লিবসি লোয়নমক্তি খল্লক্কদবা নত্তে। মীখল মমাঙ অসিদা হায়দোক্লে হায়না লৌরবসু খল্লক্তবা কাঙবুদুগী মরাইবক্লা কমদৌবা। পীশিনখিবা শেল অদু খল্লক্ত্রে হায়দুনা খুদক্তা হেক্তা হন্দোক্লক্কদ্রা। হন্দোক্ত্রগনা ভোটতা কমদৌবা। খ্বাইগী মরুদি ভোটসিনি। কারগা মিনিষ্টর ওইনি হায়বগী মঙলান দনি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শিবা নাবা কিদ্রিবসে। ফরে নুঙাইজরো, অদুবু খরদি লৈবাক্কী তৌবা য়াদবরা হায়বা। শেমদি শেমদে কাদ্রকান্দনা কাখিবা মীওইদুবু হুন্দুনা ঙাঙলগা অচুম্বা শক শক্তুনা, ঐগী মীয়াম শোনমনবদগী তৌবনি। লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিসিনত্তনা মণিপুর চলাইবদা লেল্লকানসিদা অনৌবসু লিংখৎনরি। করি অহেনবা অমুক তৌগে হায়রিবনো খঙদে। নত্তে পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঐখোয় মীচমশিংবু করিনি হায়না উরবনো। হন্দক্তি লৈবাক মচাশা লৈবাক্কী খল্লোইদবা মীদদি পীরগুমসি। মসি খঙনা ঐখোয় লিংজেল মান্নবা অমা চঙই। কোংগ্রেস লৈঙাকসু অদুমঙাই, বি জে পিসু অদুমঙাই অমহাগী অমহা ঙাক্তনি। করিবু হেন্না তৌরক্কদৌরিবনো বি জে পিসু। লোক্তাক্কী ফুম শেংবা, ঙল্লদি ফারোদনা, জেলদা থম্মোদনা করিগী ঙমদে। কোংগ্রেসসুনি খূৎতা পায়রবনি হায়দুনা খূৎচাও হেক হেক থাদুনা হোৎনখিবদো ভোট ময়াদবুদি কিদনা কোইশেং শেংদোক্লবা কন্না হোৎনরি। তৌনিংবা, লাউনিংবা মখৈ লাউজসনু মখোয়গী মথৌনি। অদুবু লৈবাক্কী মীহুৎ ওইগে হায়দুনা থোরক্লবদি কৎথোকপা অমদি য়াওহন্নীংই। ৱাখল্লোন অসিনা মাং থাদুনা চোঙথোরকপা মীহুৎ অদুগী কেন্দ্র অদু খরদা ওইরবসু ময়ামদগীদি য়াগনি নীংই। লৈঙাক্কী থবক্তা য়াওবা য়াওদবা হায়বদুনা তোখাইরগসু অহোংবা অমদি পুরকপা ঙমগদ্রা খল্লি। লৈঙাক্কী শরুক অমা ওইরিবা লংথবাল কেন্দ্র কোংগ্রেস হায়বা পার্টিদুবু মশক উগে হায়রদি ইলেক্সন ময়া নৎত্রবদি উবা শুংফং ফংলোই। হেক হৌরকপদগী মরা তাবা ঙমদনা লৈরক্লিবা কেন্দ্রনি লংথবাল, কোংগ্রেস পার্টিগী। অসুম্না কোংগ্রেসপু য়াদবা কেন্দ্র ময়াম অমা লৈরি। বি জে পিবু য়াদবা ময়াম অমসু লৈরি। পার্টিদা য়েংদনা মী খক্তা য়েংলগা ভোট পীবসিনা কমদৌবা। মেজোরিটি ফংবা ঙমদনা কহা মাং খুজাই তাদুনা তোক্কদ্রা। পোলিটিক্স হায়রিবা শিনফম অসিসু অসুক্কী মতিক লুখ্রে। ইচম চমজবনিগা হায়দুনা চঙলুবা য়াবসু নত্তে।

ঐগী ইরমদমসিদা নত্তনা দেমোক্রেসি চৎপা লম খুদিংমক্তদি লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইরিবা মখোয়না লোয়না শুপ্পুনা লৈঙাক চলাইরি। মখোয় নত্তনা লমদমদুবু/লৈবাক্তুবু চলাইবিনবা লৈত্রি চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্নদি। অদুননি পোলিটিক্সকী লমদা খোঙদারিবা মীয়াম্না য়ারবা মীওইদুনা তৌনিংবদা তৌদুনা লৈরিবসে। নৎত্রবদি ফর ফরবা ময়াদা মৈ হৌরবা নহা অহল কয়া অমা লৈরি। মখোয়সু ওইদি ওইনিংদুনা হোৎনববুদি য়াম্না হোৎনৈ। অদুবু লাইরিক লাইশু হৈবা অফবা মীওইসি পোলিটিক্সকা কয়া পক্লদে। মসিমদি চুমইকো। মমাঙদা কয়া থেংনখ্রে, হৌজিকসু থেংনরি, শোয়দনা অমা অনীগদি অদুম পুংলিৎ লিখৎলকইদি হায়ববু মাঙজিন থাবা ইঙম ঙমদে। অদুনদি লেংদনা লৈরিবা মপুন্সি চুপ্পা কৎথোক্লবনি মীচম মীয়ামগী থৌগলগীদমক, হায়রিবা মখোয় খরা অসি নত্তনা লৈঙাকপীনবা লৈতে। মসিদনি মখোয়সু মশেং ফন ফন্দুনা ঙাঙলিবসে। পোলিটিক্সকী কৈ হনুবা ময়াম অসি লৈরিবমখৈদি ঐখোয়গী ইরমদম য়াখিরোই। ইনক নক্লা শিলোংগী লম্বী অসি হায়ৱে ওইরবসু ফোর লেন্দ শেম্বা লোইবা ফনা কুইখ্রে। ঐখোয়গীদি কদাই জিরি লম্বী, নোক্লিংদ্রা। হৌজিক কন্না লাউরিবা বি জে পিগী অচংবা মীওইনি প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈ। এন ঈ সি মেম্বর নোমিনেট তৌবা ফনা কুইরবসু শিলোং লম্বীনা নাল্লগা জিরি ইম্ফাল লম্বীনা করিগী ৱায়োং চাদ্রিবা। অদুনা মীচম মীয়াম ঐখোয়দি অমহানি। কোংগ্রেস, বি জে পি। মরোল থোকপা লাইনা হেন্নবু মমল য়ামই। হৌজিক নুংশিৎ শিৎপা লেপখিবদৌনা থবক খুদিংমক চপ লেপ্পি। অৱাংগী কংলাপার্ক লোইশিন্দে। লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা স্বেরেজগীরা করিনো তৌখাইরিবা হৌজিক হোরেনগী নত্তে। সিজ হোস্পিটাল লম্বী মীগী যূম্লক ফাওরগা চৎহৌরি। ময়ায় লম্বী ফরক তারি। ৱাহেংবম লৈকায় লম্বী অসিদবু ঐখোয়না কনাদনো ভোট পীদৌরিসে। মমাইশিংসে খুদুপ খুদুপমুক থারদনা ভোট খোন্বা লাক্কনি খল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি ময়ামসি করিমতা তৌররোইদরা। মখোয়না তৌবশিং অসি অসুমক য়াবা তারবরা। শেম্বু শেমগে হায়রদি সিজ হোস্পিটালদুনা ওইহৌবা ফীভম, রাজ মেদিসিটি, মাইপাকপী হোস্পিটাল পূম্নমক লনাই ঙাক্তনি। অয়ৌবীনি মখোয়না অহেনবা তান্নরিবা হোটেলসু অদুমঙাই। চাওবু চাওথোকচৈ মখোয় খরা লৈবদগী মাইবুদি ওইজরিবনি। অদুবু লৈঙাক্লা লায়রবা মীচম মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা মফমশিং অসিদগী তৌরবদি ফগদ্রা খনবনি। অদুবু ওইররোই মপোক অসিমগী। কদাইদগী স্মার্ট সিটিনোদা। পংহাই হায়বগী ৱানি। স্মার্ট ওইনবা মচাকপু কদাইনো। ফুট পাথ হায়বদু শুংলৈ লৈত্রে। নোংমা নোংমগী ষ্ট্রিট ভেন্দর মশীং হেনগৎলক্লি, মসিনা তাকপদি লায়রবগী পান্দম খম থেংলে হায়বনি। ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙদবু কোক কাইনদৌরিসিনি। লায়রবা কাঙলুপ্তা পীজদবা হায়বা নৎত্রো। ঐখোয় শ্বাইদনা অরেম্বা অফবা তান্নরে, শঙ্গ লৈবসু ওইনরে। ফুদ সিক্যুরিটিগী কার্দকা পায়রদি মন্ত্রি মন্দলনা য়াবা মী ওইনা লৌনরে।

মসিদা নত্তে, নুঙাইবা পাউ অমসু তারি। লাইরিক লাইশু হৈরবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা অহিং নুংথিল খঙদনা হোৎনবগী মহয়না ঐচ আই ভি/এইদস লায়েংদুনা ফহনবা ঙল্লে হায়রি। চহী ৪৪ শুরবা ব্রিটিশ মচা অমা চাংয়েং ওইনা য়েংবদা মশাদা ঐচ আই ভিগী মহিক লৈত্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। সাইন্টিষ্টতুগী চহী কয়াগী হোৎনজমনগী মহয়দুবু য়াল্লে খল্লগসু ঐগী ইরমদমদদি হেন্না খুদোংথিগনি। কিওর ওইরিবা হীদাক্তুবু কনানা কয়া পীদুনা লৈদুনা শীজিন্নবা ঙমগদগে, মসিসু অচৌবা ৱাহং অমদি ওইগদৌরিবনি। লৈঙাক্লা পোজিটিভ ওইবা মশীংসি চাওরাক্লা লিশীং ৬০,০০০ রোমনি পান্নখিবনিনা মখোয়শিং অসিগী সবসিদাইজ রেটতা কয়া য়াম্না পীবা ঙমগনি। মোৎলিবা খুমোৎ অসিদা হেন্না মোৎপা পোলিটিক্স তৌনরক্কদবদো তনবু তল্লি। অমরোমদা লায়েংনবা হীদাক লৈরে হায়দুনা শাথিরক্কদ্রা মীপাইদবসু য়ারোই। নুমিৎ হেক তাবগা বজারদা অমদি অৱাং বি ও সিদা ওইরিবা কুম্ফৈ মরক অসিদা পাউ অসিনা হেন্না য়াংহনগদ্রা নৎত্রগা লুম্লক্কদ্রা খঙবা ঙম্বসু নত্তে। পূম্নমকসি খঙনা খঙনা অমত্তা উশিন্নদনা লৈরিবা লৈঙাক্কী লৈঙাকলোইশিংগী ৱাখলদি লোইনা খঙনরে। পোলিটিকেল পার্টি পনবদা ইশাসে শ্বাই শ্বাই লাউই। পোলোইদা মখোয়দা হেক্তা তারকপা। স্মার্ট সিটিগী অওনবনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মশক মওংসি হোংদোকহনবা ঙমগদ্রা। নীংখায়রবসু কৈথেল অহুমখক্তনি লৈরিবা। তোম্বীস্না স্কুলদা অনৌবা অমা শাগৎলিদি হায়ববু। ষ্ট্রিট ভেন্দর মশীংনা পার্মিনেন্ট লাইসেন্স পায়বা পোৎফম ফম্বী মশীংদগী হেল্লি হায়রি। অদু ওইরবদি ষ্ট্রিট ভেন্দরগী প্রোব্লেম সোল্ব শুংতৌ তৌবা য়ারোইদৌরি। অমোৎ অকায়শিং অসি অমতা পৈহন্দনা থমগে হায়রবদি দষ্টবিন থমদবা হায়বসিসু মরু ওইবা অমনিনা ষ্ট্রিট ভেন্দর মশীং হেনগৎলক্লিবা মখৈ অমোৎপা মশীং হেনগৎলক্কদৌরিবনি। পাকাগী কৈথেলশঙদা ফম্লবসু লূ-নান্না ফম্নবা হোৎনবগী মমিদি কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেলশিংদসু তাদে। পূম্নমক অহোংবা হায়বদু ওইবা ঙমগদৌরিব্রা হংবখক নত্তে হোংহনসি হায়বদা চাওনা শরুক য়াগনি। তৌবতবু ঐগী ইরমদম অসিগী যূম্লে কৈরে হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি নান্না লৈনিংবা মী মশীং য়াম্না উদে। নান্নিংবগী ৱানি। নান্ননবা হোৎনদে। ঐদগী চিংনা, অশেংবনি খোঙউপ কাপ থাদুনা তোংবা মীওই কয়া য়াম্বগে। ঐখোয়না থায়না এন সি সি য়াওরকপা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী খোঙউপ অঙাংবদো কাপ থাই। মরম অদুনা ইরংতা লংদুনা লৈ। নুমিৎ খুদিংগী হায়বা থৌদাং অসিগী মপাঙ্গল য়াম্না চাওই। বজার মোৎলে মোৎলে হায়রিবসে শেংদোক্তবদগীনি। হুন্দোকপা হেনমনবদগীনি। হুন্দোক্তবদি য়ারোই। অনৌবা মখলগী খুহুন্দোক লৈগদৌরিবরা। ইনাক্তা অমোৎপদু তাশিন্দুনা থন্বসু য়ারোই। পুং খুদিংগী শেংবা মথৌ তাবরা। কয়াদা লুখ্রবনো। অমোৎপা পোৎ অদু থোরক্কনু হায়বা য়াগদ্রনে। তেম্পরেরি মার্কেট ময়ামশিং অসি উবদা কোকপু ঙাওই। তরু-তনান্না লৈবা য়োনবা ঙম্নবগী পান্থৈ লৈররোইদ্রা। নীংখাইরে হায়রিবা মার্কেটশিং অসি শাবা লোইবসু ৱাৎখিগনি। মার্কেটখক্তা নত্তনা পূম্নমক্কী অপূনবা ওইনা য়েংবদা লোইনমক শোয়রি। ওভর ব্রিজ মখা অসিদা লাম্থোক্লবা হোৎনবদা খা-ৱাং মনিং মমাঙদগী থৌজিন্নরকপা গাড়ীশিংনা করি মওংনো খঙদে। ত্রাফিক পুলিসসু ফনা য়াম্না দ্যুটিদি তৌবা উই। গাড়ী থাবা য়াদে হায়নি অদুম থাই। পাওনা বজারদা গাড়ী পার্ক তৌবা য়াররোই হায়দুনা কেবিনেটকী ৱারেপকাদুবু কমদৌখ্রগে। ত্রান্সপোর্ট পোলিসিগা হায়দুনা ফাগী তারগা তোকই। অতৈ টাউন তোল্লগা ইম্ফাল ময়োল, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বসিদা মওং তানবা হোৎনবদা চহী কয়ানো চঙনা হোৎনবা ঙমগদৌরিবা। গ্রীন সিটি ওইহনসি হায়দুনা থাখিবা উপালশিংদুবু য়েংশিনবা ঙল্লোইদবা লৈরবদি করিগী থারুরিনো। ৱাই চিন্নবা। হৌজিক্তি মদুগী মতম নৎত্রে, বেল তারে মখা তানা ইনবগী অয়াবা ইনভিজিলেটরনা পীদ্রে, চে মুনবা নত্তনা উপায় লৈরক্ত্রবা মতমসিদা মথংগী অহনবা লৈঙাক ঙাইবা তাবনি। মতমদুদা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি কয়া য়াম্না মপাঙ্গল কনবা হায়বদু য়েংমিন্নবগী খুদোংচাবা শোয়দনা লৌমিন্নসি।